**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 11-11-2024)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেন্না সভাপতি ওইদুনা ঙসি ইম্ফালদা পাঙথোকখিবা মীফমনা মপানদগী শেল থাদদুনা রাজ্য অসিদা পায়খৎলিবা প্রোজেক্টশিং হন্না য়েংশিনখ্রে।

২) জিরিবামগী জাকুরাধোরদা ঙসি সেক্যুরিতি ফোর্সকা খুৎ থোকবগী থৌদোক্তা খুৎলায় পায়বা মীওই ১০ শিরে, সি.আর.পি.এফকী জৱান অমা শোক্লে।

৩) ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী য়াইঙংপোকপী শান্তী খোঙবালদা লৌ শুদুনা লৈবা মীওই অনি চিংথক্তগী কাপথরকপা নোংমৈনা পানবদগী শোক্লে।

৪) জস্তিস সনজিভ খানা সুপ্রিম কোর্টকী ৫১ শুবা চীফ জস্তিস ওইনা ঙসি ৱাশক লৌখ্রে।

অমসুং

৫) প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা হায়রি- ভারতকী নহারোলশিংগী তৌবা ঙম্বা শক্তিদা মালেমগী মীয়ামা মীৎয়েং থমরক্লি।

------

সিএম (এল)ঃ মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেন্না সভাপতি ওইদুনা ঙসি ইম্ফালদা লৈবা মহাক্কী সেক্রেটরিয়েটতা পাঙথোকখিবা মীফমনা মপানদগী শেল থাদদুনা রাজ্য অসিদা পায়খৎলিবা প্রোজেক্টশিংগী মতাংদা খন্ন-নৈনখ্রে।

সোসিয়েল মিদিয়াদা থাগৎলকপা ৱারোল অমদা মুখ্য মন্ত্রিনা হায়-হায়রিবা প্রোজেক্টশিং অসিনা হেলথ কেয়ার, ইজ্‌কেসন অমসুং মহৌশাগী খল কায়হন্দনা থমবগা মরী লৈনবা ইনফ্রাষ্ট্রকচরশিং শেমগৎ শাগৎপদা চাউরবা থৌদাং লৌগদৌরিবনি। অসিগুম্বা মালেমগী তোঙান তোঙানবা এজেন্সিশিংগী মতেংগা লোয়ননা পায়খৎলিবা চাওখৎ থৌরাংগী থবকশিং অসিনা রাজ্য অসিগী মীয়ামদা তুং কোইনা কান্নবা কয়া পীবা ঙমগনি হায়নসু মুখ্য মন্ত্রিনা ফোংদোকখি।

জিরি (এল)ঃ জিরিবামগী বোরো বেক্রা সব-দিভিজনগী মনুং চন্না লৈবা জাকুরাধোরদা ঙসি সেক্যুরিতি ফোর্সকা খুৎলায় পায়বশিংগা অকনবা মওংদা নোংমৈ কাপখ্রে। থৌদোক অদুগী মতুং তারকপদা সেক্যুরিতি ফোর্সনা থিবা হুম্বদা খুৎলায় পায়বা মীওই ১০ গী অশিবা হকচাং ফংবা ঙমখ্রে। অদুগা নোংমৈ কাপবগী থৌদোক অদুদা সি.আর.পি.এফকী জৱান অমসু শোকপদগী লায়কন্নরি।

ঐখোয়গী জিরিবাম পাউমীনা পুলিসকী পাউ পল্লদুনা হায়- হৌখিবা নুমিৎ খরনিগী মমাংদগী জিরিবামগী মোংবুং খুলগী অকোইবদা য়ুম কৈ মৈ থাবা, নোংমৈ কাপশিনবা অমদি বোম কাপশিনদুনা ইলেক্ট্রিক ৱায়ারনচিংবা অমাং অতা থোকহনবগী থৌদোক কয়া লেপ্তুনা থোরক্লি। হৌখিবা অহিংদসু তিপাইমুখ লম্বীগী মনাক্তা লৈবা বোরো বেক্রা সব-দিভিজনগী মনুং চনবা লতিংখালগী মখাবোস্তিদা লৈবা ফোরেষ্ট বিট ওফিস অমা মৈনা তুমা থাদোক্লমখি। লমতাই খুনৌদা লৈবা মী লৈনদ্রবা য়ুম, মৈরা শঙ অমসুং লমতাই খুনৌ ক্লবকী বিল্ডিংনচিংবা কয়াসু ঙসি অয়ুক বোম কাপশিন্দুনা চাউনা অমাং অতা থোকহনখি। মদুগী তুংদা মফম অদুদা অহেনবা সেক্যুরিতি ফোর্সশিং চংশিনদুনা কা হেনবা অরানবা তৌবশিং অদু ফাননবা পাক শন্না থিবা হুম্বগী থবক চত্থখি। মদুদা ঙসি নুংথিল অরানবা তৌবশিং অদুগা সেক্যুরিতি ফোর্সকা অকনবা মওংদা নোংমৈ কাপবদা, নোংমৈ-বোম কাপশিল্লকপা অমসুং য়ুম মৈ থাবনচিংবগী থৌদোক্তা হকথেংননা চেন্নবনি হায়না চিংনবা খুৎলায় পায়বা মীওই ১০ লৈখিদবনি।

মরক অসিদা, দিষ্ট্রিক্ট মেজিষ্ট্রেট জিরিবামনা থোকখিবা হুকুম অমগী মতুংইন্না বি.এন.এস.এস ২০২৩ গী সেক্সন ১৬৩ গী সব-সেক্সন ৰানগী মখাদা হিরম খরদা মতম কক্তুনা অথিংবা থমখ্রে। মদুদা মী মঙা নত্রগা মঙাদগী হেন্না পুনবা, কনাগুম্বা অমত্তনা মখোয় মখোয়গী য়ুমদগী থোক্তনবা নোংমৈ, থাং, চৈ অমদি নুঙনচিংবা খুৎলায় ওইনা শিজিন্নবা য়াবা পোৎলমশিং পুদুনা চৎপা থিংখ্রে।

বিষ্ণুপুর (এল) ঃ বিষ্ণুপুর জিলাগী কুম্বী পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা তমফা খুনৌ অমদি চুরাচান্দপুর পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা মিঙ্গাং ভিলেজকী লোন্নবদা ঙসি নোঙাল্লমদাই পুং ৩ মুক তাবদা চিংথক্তগী নোংমৈ কাপথরকখি। সেক্যুরিতি ফোর্সশিংনসু হন্দুনা নোংমৈ কাপখি। নোংমৈ কাপবা অদু অয়ুক পুং ৫-মখায়রোম তাবা অদুৱাইফাওবা চখখি। মীশি মীনা অশোক অপনগী পাউদি লৈতে।

অমরোমদা, সাইতোনগী নোংপোক থংবা চীংমায় দম্পি রিজার্ভ ফোরেষ্টরোমদগী সাইতোন তমা ঙসি নোংঙাল্লমদাই পুং ৩ লোম তারকপা অদুৱাইদা নোংমৈ কাপশিল্লকখ্রে। ঐখোয়গী বিষ্ণুপুর পাউমীদা মফম অদুগী খুঙ্গাশিংনা ফোংদোরকপগী মতুংইন্না, অয়ুক পুং ১১ রোম তারকপা অদুৱাইদা খুল ঙাকপা অমা নোংমৈনা পান্দুনা শোকখি। মহাক ইম্ফালগী হোস্পিতাল অমদা লায়েংনবগী পুখৎখি।

পুলিস (এল)ঃ ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী য়াইঙংপোকপী শান্তী খোঙবালদা লৌ শুদুনা লৈবা মীওই অনি চিংথক্তগী কাপথরকপা নোংমৈনা পানবদগী শোক্লে। থৌদোক অসি ঙসি অয়ুক পুং ৯-মখায়রোম তারকপা অদুৱাইদা থোকখিবনি।

পুলিসকী পাউনা হায়-মফম অদুদা মীওই ৮-৯ লোম লৌ শুদুনা লৈরিঙৈদা খঙহৌদনা চিংথক্তগী নোংমৈ অতৎ অখম লৈতনা কাপথরকখিবনি। মদুদা মীওই অনি নোংমৈনা পান্দুনা শোকখি। নোংমৈ কাপ্পা হেক হৌরকখিবগা পুলিসকী মাইকৈদগীসু হন্দুনা নোংমৈ কাপখি, মফম অদুদা ঙাইহাক খুৎ থোক খি। য়াইঙংপোকপী পুলিস ষ্টেসনগী ও.সি অমদি বি.এস.এফকী এসিসতেন্ট

কম্মান্দেন্ট অমনা লূচিংবা সেক্যুরিতি ফোর্সকী কাংবুনা মফম অদুদা লৈবা অতৈ লৌ শুবশিংসু তেক্তা কাইদনা শাফগদবা মফমদা পুথোরকখি।

ঙরাং নুমিদাং অথেংবদসু উয়োক চিংশাংদগী বোম য়াওনা নোংমৈ রাউন্দ কয়া অমা ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী থমাপোকপী ভিলেজতসু কাপশিল্লকখি হায়রি। মদুদা, সেক্যুরিতি ফোর্সকী কাংবুনসু হন্দুনা নোংমৈ কাপখি। নোংমৈ কাপবা অদু ঙসি নোঙাল্লমদাই পুং ২ রোম ফাওবা চত্থখি।

ক্রোপ (এল)ঃ ইম্ফাল ইষ্ট, ইম্ফাল ৱেষ্ট, বিষ্ণুপুর অমদি থৌবাল জিলাগী লৌমীশিংদা ক্বালিতি সিদ প্রদক্সন ওন রবি পলস এন্দ ওইল সিদ হায়বসিদা ত্রেনিং পীবগা লোয়ননা পোৎ চৈশিং য়েন্থোকপগী থৌরম পাঙথোকখ্রে।

আই.সি.এ.আর রিছার্স কমপ্লেক্স ওফ নোর্থ ইষ্ট হিল রিজন মণিপুর, লমফেলপাৎনা শিন্দুনা আই.সি.এ.আর মণিপুর সেন্তরগী ফারমর্স হোষ্টেলদা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা আই.সি.এ.আর মণিপুর সেন্তরগী হেদ, ডাঃ রামগোপাল লাহা, সেন্তর অসিগী প্রিন্সিপাল সাইন্তিষ্ট ওইনা থৌ পুরম্বা ডাঃ মেঘচন্দ্র, আই.সি.এ.আর-কে.ভি.কেগী তমেংলোং, উখ্রুল অমদি চুরাচান্দপুরগী সাইন্তিষ্টশিং য়াওনা লৌমী কয়ানা শরুক য়াখি।

এআর (এল)ঃ অসাম রাইফলসনা শিন্দুনা তমেংলোং জিলাগী তৌসেম ভিলেজদা লৈবা ৱিজদম ইংলিস স্কুলদা লেপতোপ, প্রিন্টর অমসুং হ্বাইট বোর্দশিং য়েন্থোকখ্রে। অসাম রাইফলসকী পাউনা হায়- মফম অদুদা লৈরিবা মহৈরোইশিংনা মহৈ মশিং তম্বদা হেন্না খুদোংচানবগীদমক পোৎলমশিং অদু মতেং পাংখিবনি।

সনাজাউবা (এল)ঃ পান মণিপুরী য়ুথ লিগ লিংখৎলম্বা লময়ানবা এন.কে. সনাজাউবা লৈখিদবগী ২৯ লক শুবা নিংশিং থৌরম ঙসি ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী শিংজমৈ ৱাংমা ক্ষেত্রি লৈকাইদা লৈবা লময়ানবা অসিগী য়ুমদা পাঙথোকখ্রে। এন.কে. সনাজাউবা মেমোরিয়েল ট্রষ্টকী মখাদা লময়ানবা সনাজাউবা নিংশিং থৌপাং লুপনা শিন্দুনা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা ৱা ঙাংখিবশিংনা লময়ানবা

অসিনা পাঙথোক্লকম্বা থবক থৌরমশিং শিংথাখি।

ফোক্স (এল)ঃ বিষ্ণুপুর জিলাগী মনুং চনবা ৱাথা লম্বী শান্তিপুরদগী লৌমী নুপী অমা নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎখিবগী থৌওং অদুবু ফেদরেসন ওফ সিভিল সোসাইতি ওর্গনাইজেন্স (ফোক্স) মণিপুরনা য়ামা কন্না য়ানিংদবা ফোংদোরক্লি।

লুপ অসিনা থাদোরকপা চেরোল অমদা হায়- থৌওং অদু মীওইবগী লীচৎ নত্তবা, তেরোরিজমগী থৌওংনি। থৌদোক অসিদা চেন্নরিবশিং ফাদুনা সরকারনা মতিক চাবা দন্দি পীননবা লুপ অসিনা তকশিল্লক্লি।

মরক অসিদা, মণিপুর লৌমী লুপনা, লৌমীশিং চনিং তানা লৌ লোকপা ঙমবা অথুবদা চেকশিন থৌরাংশিং পায়খৎপীয়ু হায়না সরকারগী পুকিং চিংশিল্লক্লি।

ডে (এল)ঃ নন-কম্যুনিকেবল দিজিজ সেল, দিষ্ট্রিক্ট হেলথ সোসাহতি চান্দেলনা শিন্দুনা মালেমগী অহল ওইরবশিংগী নুমিৎ পালন ঙসি চান্দেলগী দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিতালদা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা চান্দেলগী সি.এম.ও- ডাঃ জোয়সন মেথিয়ু মোনসাং য়াওনা জিলা থাক্কী ওফিসিয়েল কয়া শরুক য়াখি। থৌরম অদুদা ৱা ঙাংখিবশিংনা অহল ওইরবশিংবু লুনা চান্না তৌবীবা অমসুং মখোয়বু ঙাকপী শেনবীবগী তঙাইফদবশিং ফোংদোকখি।

ব্লড (এল)ঃ খোইজমানগী ইবুধৌ য়াংগোই নিংথৌ কম্যুনিতি হোলদা ঙসি লেমা ঈ দান তৌবগী থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে। ষ্টেট ব্লড ট্রান্সফ্যুজন কাউন্সি অমদি মণিপুর ষ্টেট এইদস কন্ট্রোল সোসাইতিগী মখাদা ইন্দিয়ান রেড ক্রোস সোসাইতি বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট ব্রান্সনা তোঙান তোঙানবা লুপশিংগা পুন্না শিন্দুনা পাঙথোকখিবা ঈ দান তৌবগী থৌরম অদুদা মীওই ৪৩ দা ঈ দান তৌখি।

খানা ঃ জস্তিস সনজিভ খানা ভারতকী ৫১ শুবা চীফ জস্তিস ওইরে। রাষ্টপতি দ্রৌপদি মুরমুনা ঙসি রাষ্ট্রপতি ভাবনদা পাঙথোকপা থৌরম অমদা জস্তিস সনজিভ খানাবু চীফ জস্তিস ওইনা ৱাশক লৌখি।

জষ্টিস সনজিভ খানানা সুপ্রিম কোর্টকী চীফ জষ্টিস ওইরকপদা প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা নুংঙাইবা ফোংদোকখ্রে। সোসিয়েল মিদিয়াদা থাগৎলকপা ৱারোল অমদা শ্রী মোদিনা হায়- জষ্টিস সনজিভ খানাবু সুপ্রিম কোর্টকী চীফ জষ্টিসনা ৱাশক লৌবগী থৌরম অদুদা মহাকসু শরুক য়াখি।

পিএম ঃ প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা হায়রি- ভারতকী নহারোলশিংগী তৌবা ঙম্বা শক্তিদা মালেমগী মীয়ামা মীৎয়েং থমরক্লি। মালেমগী লুচিংবা কয়ানা ভারতকী নহারোলশিংবু মখোয় মখোয়গী লৈবাকশিংদা স্কিল মেন পৱারগী লমদা থবক তৌহন্নিংবগী অপাম্বা হেনগৎলক্লি।

গুজরাতকী বরতালদা লৈবা শ্রী স্বামি নরায়ন মন্দিরদা পাঙথোকপা মন্দির অসিগী চহি ২০০ শুবগী কুমওন থৌরমদা ভিদিও কনফরেন্সিংগী খুত্থাংদা ৱা ঙাংলদুনা প্রধান মন্ত্রিনা হায়- মালেমগী মফম কয়াদা ঐখোয়গী হৈথোই শিংথোইরবা নহারোলশিংবু থবক তৌহন্নিংবগী অপাম্বা লেপ্পা লৈতনা ফোংদোক রক্লি। মহাকা হায়- ঐখোয়গী নহারোলশিংনা চাওখৎলবা ভারত অমা শেমবা হোৎনবদা চাউনা মতেং পাংগদৌরিবনি। হৈথোই শিংথোইরবা ঐখোয়গী নহারোলশিংনা লৈবাক অসিগী খ্বাইদগী চাউবা শক্ত ওইরিবনি।

থৌরম অদুগা মরী লৈননা প্রধান মন্ত্রিনা লুপা ২০০ গী সিলভর কোইন অমসুং কম্মেমোরেতিভ ষ্টাম্প পুথোকখি। মহাকা হায়- চহি ২০০ গী মমাংদা ভগবান স্বামি নরায়ন্না লিংখৎলম্বা বরতাল ধাম অসিদা পুকিং ৱাখল অমসুং লাইনিংগী ওইবা ফজরবা ৱাখল্লোনশিং মতম চুপ্পগী ওইনা লৈহন্নবা হোৎনগদবনি।

জয়শঙ্কর ঃ মপান থৌরম মন্ত্রি ডাঃ এস. জয়শঙ্করনা হায়রি- ভারত অমসুং রসিয়াগী মরক্তা লল্লোন ঈতিক্কী মরী হেন্না কনখৎহনবা তঙাইফদে।

মুম্বাইদা পাঙথোকপা ইন্দিয়া-রসিয়া বিজিনেস ফোরমদা ৱা ঙাংলদুনা ডাঃ জয়শঙ্করনা হায়- লৈবাক অনিগী মরক্তা হৌজিক লৈনরিবা লল্লোন ঈতিক্কী চাং অসি বিল্লিয়ন দোল্লর ৬৬ নি। মসি ইং ২০৩০ ফাওবগী মনুংদদি দোল্লর বিল্লিয়ন ১০০ হেন্নবা পান্দম থল্লি। মহাকা হায়- ত্রান্সপোর্ট, বেঙ্কিং অমসুং শেল

ওন্থোক ওনশিন তৌবগী মতাংদা লৈরিবা খুদোংচাদবশিং লৈবাক অনিনা য়ান্নবা মওংদা অথুবা মতমদা ৱারোইশিন পুরকবা হোৎনরি।

মুরুগান ঃ ইনফোর্মেসন এন্দ ব্রোদকাষ্টিং মন্ত্রালয়গী রাজ্য মন্ত্রি ডাঃ এল. মুরুগাননা হায়রি- লৈবাক অসিগী শেল থুমগী লমদা ভারতকী সিনেমানা অচৌবা থৌদাং লৌরি।

ইন্তরনেসনেল ফিলম ফেষ্টিভেল ওফ ইন্দিয়াগী ৫৫ শুবা ইদিসন পাঙথোকপগী মাংওইননা ঙসি পাউমীশিংগা উন্নবা অমদা শ্রী মুরুগান্না ৱাফম অসি ফোংদোক্লদুনা হায়- পাঙথোক্কদৌরিবা ফেষ্টিভেল অসি খ্বাইদগী চাউবা ফিলম ফেষ্টিভেলশিংগী মনুংদা অমা ওইগদৌরিবনি। ভারতকী সিনেমানা লৈবাক অসিগী শেনমিৎলোনদা চাউনা মতেং পাংলি।

সিন্দিয়া ঃ কেন্দ্রগী কম্মুনিকেসন মন্ত্রি জোতিরাদিত্যা সিন্দিয়ানা হায়রি- ইলেক্ত্রোনিক্সকী পোৎলমশিং শেম শাবগী লমদা হেন্না চাওখৎহন্নবা সরকারনা লেপ্পা লৈতনা থবক পায়খৎলি।

নিউ দিল্লিদা সাউথ এসিয়ান টেলিকম্মুনিকেসন রিগুলেটরস কাউন্সিলগী ২৫ শুবা মীফম হৌদোকপগী থৌরমদা শ্রী সিন্দিয়ানা হায়- ভারতকী ওইনা দরকার লৈবা মোবাইলগী চাদা ৯৯.৩ দি লৈবাক অসিদা শাজবা ঙমলে।

এসিয়া-পেসিফিক টেলিকম্মুনিতিগী সেক্রেটরি জেনেরেল মসানোরি কোন্দোনা অকাশবানিদা হায়- নুমিৎ হুমি পাঙথোক্কদৌরিবা মীফম অসিদা খা এসিয়াগী লৈবাকশিংগী মরক্তা এক্সপরিয়েন্স অমসুং পোলিসিগা মরী লৈনবা হিরমশিংদা কুপা খন্ন-নৈনগনি।

--হৌজিক শান্নবগী পাউ--

হোক্কি (এল)ঃ তামিলনাদুগী মেয়র রাধাকৃষ্ণন হোক্কি ষ্টেদিয়মদা চখুরিবা ১৪ রক সুবা হোক্কি ইন্দিয়া সেনিয়র মেন নেসনেল চেম্পিয়নসিপ ২০২৪ গী মেটচ অমদা মণিপুর হোক্কিনা অসাম হোক্কিবু পাঞ্জল ১০-০ দা থোইখ্রে। চেম্পিয়নসি

অসিগী অহানবা ক্বাটর ফাইনেলদা মণিপুর হোক্কিনা পঞ্জাবকা থা অসিগী ১২ গী অয়ুক পুং ৮ মখায়দা লন্বা থেংনরগনি।

খোখো (এল)ঃ দি.এম. কলেজ ওফ আর্টসনা শিন্দুনা পাঙথোকপা অহুমশুবা দি.এম. য়ু. ইন্টর কলেজ মেন্স খোখো টুর্নামেন্ট ২০২৪ গী ঙসি শান্নখিবা অয়ুক্কী মেটচশিংদা দি.এম য়্না দি.এম.সি আর্টসপু, দি.এম. সাইন্সনা দি.এম কম্মর্সপু থোইখি। নুংথিলদা শান্নখিবা মেটচশিংদনা দি.এম.সি আর্টসনা দি.এম.সি কম্মর্সপু, দি.এম.সি সাইন্সনা দি.এম.য়ু থোইখি।

ক্রিকেট ঃ  ৫ শুবা এম.এন.সি.এ অন্দর সিক্সতিন বোইজ নাওরেম রাজনিংথৌ সিংহ ত্রোফি ২০২৪-২৫ ক্রিকটে টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা  মেটচশিংদা এ.এম.সি.এ থৌবাল, ত্রাউ ক্বাকৈথেল, আর.সি.এ লিলোং, পি.টি.আর.সি পাৎশোই পার্ট ফোর মায় পাকখ্রে।

ফুটবোল (এল)ঃ  অহানবা ষ্টেট লেবেল চিংথাম আনন্দকুমার মেমোরিয়েল ভেটরান ফুটবোল তুরনামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদা এম.পি.এস.সিনা ই.এম.ভি.এফ.সিবু পাঞ্জল ২-০ দা থোইখ্রে। অতোপ্পা মেটচ অমদনা ভি.এস.এ.আইনা এন.কে.ভি.এফ.সিবু পাঞ্জল ২-১ দা থোইখ্রে।

ক্বান (এল)ঃ   অমেচর ক্বান কি দো এসোসিয়েসন মধ্য প্রদেশনা ক্বান কি দো ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়াগী মখাদা মধ্য প্রদেশকী ইন্দোরদা ২০২৫ গী জনুৱারি ৩ দগী ৫ ফাওবা পাঙথোক্কদবা ৬ সুবা নেসনেল ক্বান কি দো চেম্পিয়নসি ২০২৫ দা শরুক য়াগদবা মণিপুর টিমগী শান্নরোইশিংগী ত্রাইয়েল সেলেক্সন থা অসিগী ১৭ তা পাঙথোক্লগনি। অকুপ্পা মরোল ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী কোংবা নান্দৈবম লৈকাইদা লৈবা ক্বান কি দো এসোসিয়েসন মণিপুরগী ওফিসতগী খঙলবা য়াগনি হায়রি।

ওকপা (এল)ঃ   য়ু.এস.এগী কোলোরাদোদা পাঙথোকখিবা অন্দর নাইন্তিন ৱার্ল্ড বোক্সিং চেম্পিয়নসিপতা লুপাগী তকমান ফংলকখ্রবী থোকচোম সুপ্রিয়া য়াওনা ভুতানগী তিমপুদা পাঙথোকখিবা ৮ সুবা জ্নিয়র অন্দর ত্বেন্তিৱান অমসুং সেনিয়র সাউথ এসিয়ান করাতি চেম্পিয়নসিপতা শরুক য়াদুনা তকমান ফংলকখ্রবা বিষ্ণুপুর জিলাগী শান্নরোইশিং ওকপগী থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদু দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন বিষ্ণুপুরনা শিন্দুনা পাঙথোকখিবনি।

------